# মণিপুর পুৰারীগী সেপ্টেম্বর থাদা থোকখিবা থোকহৈদবা থৌদোক খরা - ১

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মণিপুর পুৰারীগী তাঙ্কক খরদা থোকখিবা থৌদোক অনী অহুম্না ইমা মণিপুরবু তুশোন মানশোন্নবী ওইহনখি। খরদুগী মনুংদা সেপ্টেম্বর থাদা থোকখিবা খরসু পনবা য়াই। খুদম ওইনা নীং-খা তম্না হাইনা হুম্না খূৎকন পাঙ্গন্না পাঞ্জরম্বা ইমাবু বৃটিশ লোইলম লৈঙাক মখাদা মীখা পোনবী ওইহনখিবগী লম্বী য়াৎখিবা থৌদোক খরদি সেপ্টেম্বর থাদা থোকখি। ইমাগী মপারী মীয়ামগী অশেংবা লুচিংবা হিজম ইরাবতপু মীরোৎ ওইহনখিবা মরৈবাক মরমদম থাদোক্তুনা বর্মাগী উমং ৱামংদা লেনহনখিবা থানি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনশিন্নবগী পো কাঙখিবসু থা অসিদনি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা ইমাগী তম্পাকথকসিদা তাহে য়েংহৈদবা থৌদোক খরা সেপ্টেম্বরদা থোকখ্রে। মদুনা মরম ওইরগা মীয়ামদা চৈবী চৈথেং কয়া পীখি।

মৈদিংঙু সুরচন্দ্রনা পানবা হাক্তক্তনি, ঈ মশেনগী লান থোকখি। কুমজা ১৮৮৭, সেপ্টেম্বর ১২গী অহিংদা হৌরকখিবা লাননি। মৈদিংঙু লাবন্যচন্দ্রগী মশু শুথাং দিনচন্দ্র ৱাংখৈরাকপনা লুচিংদুনা হৌরকখিবা লালহৌনি। নুমিৎতুমক্তদা নিংথৌ শাগৈগী মমল য়াম্লবা থৱায় মরি - ইবুংশি খুরাই লাকপগী মচাইবুংঙো গোপাল, মনাওইবুঙো অমা, ইবুংশি কোনবিরৈ অপানবা মচা অমদি ইবুংশি শামুহঞ্জবগী মচাইবুংঙো লাইরম্লেন্দা তিনখি। কংলা লাইফম্লেনমক্তা শোক্লখিবা ঈ মশেলগী লানফমদনি। মদুগা লোয়ননা ইরৈবাক্কী মমল য়াম্লবা অকন অথৌ লাম্নগী তরামাথোইসু থৱায় মাঙখি। মথং নুমিত্তা লালহৌ মকোক ৱাংখৈরাকপগা লোয়ননা ইবুংশি মাইপাকসনাগী মজাইবুংঙোসু চৈরাপ মমাঙ মহারানী থোং মনাক্তা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি। সেপ্টেম্বর ২৯, শগোলশেল নুমিত্তা ইবুংশি যোগেন্দ্রনা অমুক লান হৌরকখি। মহাক মশামক য়াওনা লান্মী তরাহুমদোইগী থৱায়না পোন্থা ওইখি। মাঙখ্রবা থৱায়শিংদুগী মমল হায়ফম খঙদবমখৈ য়াম্মী। মাগী মাগী শাগৈখক্কী নত্তনা লৈবাক্কী মৈতান অরাবা ঙাক্তনি। নুমিৎকুম্না মশেক মঙান নাইবশিংনি। ওস্থোক্লা পাম্মুজে, ঈ মশেন ওনশিন্নদুনা শোক্লবা লান ওইবনা। বৃটিশ ওইগেরা বর্মিজ ওইগেরা ইরৈবাক্কী নীং-তম পুন্সিদা মীৎয়েং কারন চল্লকখিবা য়েক্লবশিংগা লম্বা তৌবা ওইরম্লবদি কয়াগী মতিক পেঞ্জগদবা! ইবুংশি যোগেন্দ্রগী লালহৌবু নমথবদা বৃটিশনা মতেং পাংখি। ইচম চম্না পাংবা মতেং ওইখিদে। মখোয়নসু খঙখি- বৃটিশকী মতেং য়াওদনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লরোইদবা মণিপুরনি। মরমদি লিংজেল মান্নদবনা ইশোন শোন্থহল্লবা লৈবাক্লি।

লোইখিদে ঈ মশেলগী লান। কুমজা ১৮৯০, সেপ্টেম্বর ২১, নোংমাইজিং নুমিত্তা অচৌবা লালহৌ অমসু হৌরকখি। মৈদিংঙু সুরচন্দ্রগী মনাও ইবুংঙো অহুম - কোইরেংসনা (টিকেন্দ্রজিৎ) সেনাপতি, অঙৌসনা দোলাইরেং হঞ্জবা অমদি জিলাঙম্বনা খূৎপু শেমদুনা হৌরকখিবনি। লালহৌদুনা মরম ওইরগা ফম থাদোকখ্রবা নিংথৌনা বৃটিশকী মফমদা চঙজফম লৌখি। মৈদিংঙুগা পোকমিন্নবা মনাও ইবুংঙোশিং - থম্বৌসনা শামু হঞ্জবা, পকাসনা শগোল হঞ্জবা অমদি গোপালসনা ফুঙ্গানাই শঙলাকপসু মহাক্কী মতুং ইনখি। মথং নুমিত্তু নিংথৌ পান্দবা মণিপুর ওইখি। কৈথেলসু কাখিদে। তাং ২৩দা মনাওইবুংঙো কুল্লচন্দ্রনা ফম্বাল কাখি। মৈদিংঙু সুরচন্দ্রগী ফিরেপ থুমনখিবরা? মরন্নাই ওইনা লৌখিবরা? বৃটিশকী পোথীরা? পোলিটিকেল এজেন্টকী মকাদা চঙজফম লৌখিবা থৱায়তবু পাম্মুজবগীরা নৎত্রগা মাগী হক ওইরিবা নিংথৌ খুভমদা অমুক হঞ্জিন্নবরা? হংবা য়াবা ৱাহংনা পীক থল্লি। অদুবু পাউখুম খরদি ফংলে মদুদি ফম থাদোক্লগে হায়না ফিরেপ লৌখ্রবা মতুংদা সিলচরদগী ৱাকৎচে থারকখি, অসামগী চীফ কম্মিস্নরদা, নিংথৌ ফম থাদোক্তে হায়দুনা। কলকটাদা থুংলবা মতুংদা অমুক ভাইসরোইদা, নিংথৌ ফম্বান হঞ্জিনহনবীয়ু হায়না। ৱাকৎমন ফংখিদে। অহোয়নদুম বৃটিশনা মণিপুর লৌশিন্নবা লম্বী ফাৎপা ওইনা থোকখিবনি।

বৃটিশ লোইলম লৈঙাক লৈরিঙৈদনি। কুমজা ১৯০৪গী সেপ্টেম্বরদা থোকখিবা থৌদোক্লি, ***অহানবা নুপীলান***। মমাঙথক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোক খরা থোকখি। মার্চ ১৫গী অহিংদা এসিস্টেন্ট সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ ষ্টেটকী বঙ্গলো অহিংদা শকখঙদবশিংনা মৈ থারম্মী। ওগষ্ট ৪গী অহিংদসু অনৌবা বঙ্গলো অদুসু অমুক হন্না মৈ থারম্মী। মদুগী তেকচাক পূম্বা ইম্ফালগী নুপাশিংদা নমশিল্লম্মী। সেপ্টেম্বর ১২দা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ ষ্টেটনা মীয়াম্বু খোয়শাওনহনবা ওর্দর অমা থোরকখি মদুদি ইম্ফালদা লৈবা চৌকিদারশিংনা কবোদগী চিংশু উ য়াল্লুরগা মৈ থাদোকখ্রবা বঙ্গলো অদু শাগদবনি। মৈ থাবগী মরী মখোঙ অমদি মদুদা চেন্নবা মীশকশিংগী পাউ পীবা ঙম্বদা লুপা ৫০০ মনা ওইনা পীগনি হায়বসি ওর্দর অদুদা পল্লম্মী। খুরাই, ৱাংখৈ, খ্বাই য়াইস্কুলগী মীওইশিংনা ওর্দর অদুগী মায়োক্তা পোলিটিকেল এজেন্টতা ৱাকৎচে লানখৎলম্মী। মহাক্লা হায়বা মতুংইন্না চৈরাপ্তা অমুক লানখৎখি। উ, ৱা, লী, ৱাচেৎ পুখৎলু হায়না চৈরাপ্না ওর্দর অমুক থোক্লম্মী। সেপ্টেম্বর ২৮দা নুপী ময়াম খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা তিল্লম্মী। ওর্দর অদু চৎনদনবা পোলিটিকেল এজেন্টতা তকশিল্লম্মী। য়াবীরকপগী মহুত্তা য়াচংবা মতমদা থৌদোক অমদি ঈরাং শাগৎপগী মরান্দা নিংথৌ মচা তরুক - ইবুংশি কালা, সনা ইবুংশি মেগসিং, ইবুংশি সনা থাংকোকপা, ইবুংশি মতুম, ইবুংশি সনাজাওবা, ইবুংশি চমুবু ফাজিন্দুনা মখোঙ মখূৎ য়োৎহ্লিং চন্দুনা গারোৎতা থমজিনখি, কয়াদা তমথীখ্রবা চৈরাক্লো! লৈঙাক্কী ফোর্সনা লৈকায় মরিমক ঙাক্তুনা অচৎ অওকশিং থিংলম্মী। বৃটিশ লৈঙাক্লা পীবা পাশ পায়দবশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা য়াখিদে।

বৃটিশকী থৌওং অদুদা ইমা ইবেলশিং খাঙবা ঙম্বগী ঙমখৈ লাম্হোকখ্রমাল্লে। হৌনরুবা নাইদনা থোক্লরকখি। কৈথেল কাখিদে। পোলিটিকেল এজেন্টকী বঙ্গলো তম্না থোমজিল্লকখি। লৈঙাক্কী ফোর্সনা থিংবদগী নাকল অনীগী মরক্তা মূক্নরকখি। নুপী মরক্তা ঈহৌ শাগৎপা য়াওই হায়দুনা ব্রাহ্মন অমবু ফারগা লীচৈনা কুন্থ্রারক ফূরম্মী। অদুবু ঈহৌ অদু নমথবা ঙমখিদে। মথং নুমিত্তসু নুপী মীয়াম থোরক্তুনা ঈহৌ তৌখি। ফোর্সকা মূক্নবদা নুপী খরা অশোক অপন নংখি। অসুম্না নুমিৎ কয়ানি ঈহৌ অসি চত্থখি। অশোক অপন নংহনবা অমদি মরু ওইবা লুচিংবী কয়াবু ফাজিনখি। কাইনথংদা ঈহৌ অদু নেমথখিবগা লোয়ননা লৈকায় মরিনা বঙ্গলো শাননবা ৱা থিনগৎখি। গারোৎতা মখোঙ মখূৎ য়োলহিং চন্দুনা থমখিবা নিংথৌমচা তরুকপু মপান লমদা লোই থাখি। থৌদোক অসিবু ***অহানবা নুপীলান*** হায়না পুৰারীগী লমায়দা ময়েক লানা ইরি।

অফবা চাওখৎপা হরাও নুংঙাইবগী ওইবা থৌদোক কয়া অমসু থোকখিদবা নত্তে। অদুবু অৱাবা পূক্নিং নুংশিবনা মপূং ওইবা থৌদোক কয়াগী মৈনিংখাক্তি খুদোলপোৎ ওইবা মথং মথং থংথরক্তুনা ঐখোয়গী ইখূত্তা য়ৌরক্লে। পামদ-পামদ লোইশিনখ্রবা খুদোলপোৎশিংসিনা ঐখোয়গী পূক্নিং ৱাখলবু পোত্থাফম খঙহন্দ্রি। মসিবু সেপ্টেম্বর থাগী মরাল্লা নৎত্রগা মপু মাগী থৌদাবু ইপা ইপুশিংনা খঙবা য়ৌখিদবনরা? ওইনীংবা ওইসনু থৌদোকশিংদুনা ঐখোয়দা অসুম্না পাউদম্লি- ***কল্লক কঞ্জাওবনা থল্লবা তাইবঙপানসিদা মীখা পোন্দনা নীং-খা তম্বগী অশেংবা মহাও খঙনা হিংনবগী লম্বীদি অমত্তা ওইনা পূনশিন্নবনি। মসিদা থৌনা অমসুং লৌশিং মাঙফদে, মতম মফম খুদিংমক্তা ইচন্দা চন্নরবা লেঙদবা লন্নি খন্না য়োক্তুনা থমগদবনি।*** ●

# ‘লুচিং পুরেল হিজম ইরাবতকী কৎথোকপা অমদি হৌজিক্কী তংদু লৈতাদ্রবা মণিপুর’ - (২)

-তোম্বী চনু -

মসিদসু নত্তনা সূদা লৈরিবশিং অমসুং মীরমদগী চঙশিল্লকপা চিন-কুকি মিলিটেন্টশিংসিগা অফবা মরী লৈরবদি চীংগী লমদা অয়েৎ অপন লৈতনা ইন্দিয়ন আর্মি ওপরেট তৌবা ঙমগনি। মসিদগী হেন্দোক্তুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা ফংলিবা নেচরেল রিসোর্সশিং লৌথোক্লবা হোৎনরকপদসু খুরৌ থাংলোইদৌরিবনি। অসিগুম্বা অরোনবা এজেন্দাগী পোরমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা কুকি মিলিটেন্টশিংবু তোরো খোন্দানরকপনি হায়বসি অখঙ অহে কয়ানা তোইনা নৈনরবা মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি। পূম্নমকশিং অসিদগী মথোই কারবা কুকি মিলিটেন্টশিং অমদি কুকি লুচিংবশিংনা করিসু খঙজদনা হরাও কুম্মৈ মশীং খূৎ থেক্তুনা লৈরিবা মীতৈ ফূরুপ্তা লান তাশিল্লক্তুনা লম মুন্নবা হোৎনরকপনি। মঙলান কয়া শাগৎতুনা মখোয়গী তোঙানবা য়ুনিয়ন টেরিটরি নৎত্রগা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন ফাও তাল্লকইবসিনি। মসিদা দবল ষ্টেন্দর ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খূৎ য়াওরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। মসি নৎলমদ্রবদি ৱাথোক অসি অসুক শাংনা চত্থরম্লোই। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লোইশিনগে হায়রবদি নোংমদা লোইশিল্লম্বা য়াবনি।

মীয়ামগী প্রেসরদগী ষ্টেট ফোর্স মথৌ খরদি তৌবা উরবসু মতম চাহৌদবা অমদি মপূং ফাদবনা পামদবা থৌদোক্তি অসুক্কী মতিক থোকপা লেপত্রি। মশীং য়াম্লবা সেন্ত্রেল ফোর্স কম্পেনি কয়া থাজিল্লকখ্রবসু ষ্টেট লৈঙাক্লা ওর্দর পীবা ঙমদনা লৈরি। আর্টিকল ৩৫৫ চৎনদে হায়জরবসু চীফ মিনিষ্টরদগী য়ুনিফাইদ কম্মান্দ চ্যেরপর্সন ফম লৌথোকখিবা, মহাক্কী মথক্তা সেন্টরগী ব্যুরোক্রেদ ওফিসর কয়া হাপচিল্লকপসিনা ‘ফম্বালদা পুন্দুনা থম্বা নিংথৌগুম’ মতিং য়াওদনা হংলাই ওইনা লৈঙাকপনা কুকিনা নম্না তাবা মফমদা অরানবা তৌবা অমত্তা ফাবা পুনবা তৌদনা মনীং তম্না থাদোক্তুনা থল্লিবসিনি। তম্পাক্কী মফমশিংদদি নুপী, মমা ওইবী, শোল্লবা অহল কয়াফাও তমথীনা ফূ চৈদুনা ওৎপীরি। কুকিশিংগী কা হেঞ্জিনবা থবক্তা য়ানীংদবা খিতং উৎতুনা মীয়াম পূনবা হৌরকপদা মখল মখা কয়াগী টিয়র গ্যাস, রব্বর বুলেটতা নত্তনা কেমিকেল কয়া য়াওনা ইলেক্ট্রিক্ট করেন্ট ফাও থাজিনবীরি। দিষ্ট্রিক্ট খরদা কুকিশিংনা তৌনীংবতা তৌবদা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মখোয়দা কোওপরেসন চাউনা পীরিবা মণিপুর লৈঙাক্লা এক্সন লৌদনা য়েংদুনা লৈরিবসিগী মরুমদা করি লৈরি হায়বা থিদোকপা মথৌ তারি।

নাকল অমরোমদা শূ-নোমদুনা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা, লায়রবগী পনখৈ মখাদা লৈদুনা ৱানা লেল্লিবা লোইজি-লোয়াগী খুঞ্জা নহাশিংবু চাওখৎ থৌরাংদগী থৈদোকপীদুনা মখুঙ্গং মরৈকাই ঙাক্লবা, মণিপুর কন্নবগী থৌদাং লৌহনবীবদগী মমল য়াম্লবা মতম মাঙহনবীবতা নত্তনা থৱায় কয়া পোন্থা পীখিবসিদগী হেন্দোক্তুনা তোঙান তোঙানবা মরাল কয়া শীজিনবীদুনা ফাবীরি অমদি ফানবা তানরি। মমা ওইবীশিংনা অহিং মিৎশেল খাংদুনা মরৈকায় মরমদম ঙাকপদা অৱা চৈথেং ফংলিবা থা মরি হেনজিল্লক্লবা ফাও শূফম নোম্ফম খঙলক্তবনা শেল থুমগী ফীভম হায়নীংঙাই লৈতনা শোকচিল্লকই। মতাং অসি য়ৌরক্লবফাও ঐখোয়গী মীহুৎ লেজিসলেচরশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক পায়খৎপগী মমি তাদ্রি। ঙসি ফাওবা ষ্টেট এসেমব্লিগী স্পেসল সেসন কৌবা ঙমদবনা অপূনবা ৱারেপ অমত্তা থম্বা ঙমদ্রি। তশেংবদি ষ্টেট এসেমব্লিগী স্পেসল সেসন কৌদুনা তুংগী ইচা ইশুশিংদা মণিপুর কায়নবগী মচাক অমত্তা খুদোল তম্বীরমদনবা অচেৎপা ফিরেপ লৌফম থোকপনি। অদুবু মরাল থংজিন্দুনা লাইগী শোয়দনবা মিনট ১১মুক্তং ফমখিবসিদি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা ইরৈবাক ইরমদমগীদমক করিসু খন্দে হায়বসি চাউনা মথি ফোংলকপনি, মসিমক্তি য়াম্না ইকায়নীংঙাইনি। শেংলবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মায়দা অমুবা হামুক তৈশিনবগা পাঞ্জকনি। তশেংবদি মণিপুর লৈঙাকসি লৈফম শুংথোক থোক্ত্রবা অমনি অদুবু ওইজবা থিবা খরনা কন্দুনা থম্বসি লাইবক থীবনি।

অমরোমদা, মীয়ামগী মীহুৎ এম এল এশিংনা মাগী মাগী থোকপা তৌদুনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনবদা খুল ঙাকপা ভোলন্টিয়রগী থাক্তা লৈরক্তুনা খুল ঙাকফমদা মরৈবাক মরৈচা নুংশিবা শাদুনা মখল মথেলগী তাৎ তৌবা, রিলিফ কেম্পশিংদা চেঙ, হৱাই য়েনবা, জোব কার্দ য়েনবা য়াওশিনবা অমদি অশোক অপন্দা নুংশিবা, অৱাবা ফোঙদোকশিন্দুনা খূৎচাবী খূৎপু শেমগৎনবা হোৎনরিবশিংসি অফবা মায়ওন নত্তে। মরকসিদা অমতং পঞ্জনীংবদি ঐখোয়গী এম পি অহুমসু মোইবুং খোংদুনা থিবগী মতম থিল্লে। ময়ূম মণিপুর মৈ চাল্লবফাও পার্লিয়ামেন্ট সেসন মনুংদা ৱা অমত্তা ঙাঙদনা লৈখিবা হায়বসি মখোয়বু মীহুৎ ওইনা থাগৎলুবা মণিপুর মীয়াম্বু তশেংনা উশিত্তবনি।

হৌখিবা ওগষ্ট ১১দা লোইশিনখিবা পার্লিয়ামেন্ট মুন্সুন সেসন্দা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরনা থমখিবা ৱারোলদা করিসু পেন্নীংঙাই ওইদে। মণিপুরদা তংদু লৈতাবা অথুবা মতমদা হঞ্জিনহল্লনি, টেরিটরিএল ইন্টিগ্রিটি কায়হল্লোই হায়রগা হেক্তমক পেন্থোকপা য়াব্রা? তুং কোইগদবা সোল্যুসন অমা লৈফম থোক্তব্রা?

অরোইবদা থমজনীংবদি, ইমা লৈবাক মণিপুরবু থেঙ্খাং কয়াদা হৌজ হৌজ কায়গদ্রা হায়বগী মীপাইবা পোকইবা, রুল ওফ লো মপূং ফানা লৈহনবা ঙমদ্রিবা, থবক ফংদবা, পোৎতাঙ চেঙদাং, ঈশিং নুংশিৎ, উমং পাক শন্না কোকথোল্লকপা, ময়াই কাবা লোনা য়াদবা, মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংহৌদবা, লমশিংগী মমিং কয়া মীতোপকী মরোলদা নৌনা ওন্থোকখিবা, তেল্লবা মতম ২০০৭তগী ২০২৩ ফাওবগী মনুংদা কুকি খুল মশীং অঙকপদা হেনগৎলকপগী রেকোর্দ লৈরকইবা অসিগুম্বা অঙকপা ঐখোয়না থেংনরিবা খুদোংথীবা খুদিংমক ঐখোয় ইশা ইশাশিংনা থোকহঞ্জবনি হায়বসি য়াজফম থোকই।

অফবা মীহুৎ খনবা হৈতবা, তুংগী য়েংদনা ঙাইহাক্কী কুৎ লাওহৌনবা হোৎনবা, মমল য়াম্লবা ঐখোয়গী ভোটিং রাইটপু শেল খরগা মন্তিক্নদুনা মতম শাংনা চত্থরকপদগী অফবা মরৈবাক মীয়ামগীদমক কথোকপা ঙমদবা কয়াদি ইলেক্সনগী লমজেল য়াওবা ফংদবনা মীহুৎ ওইবগী খুদোংচাবা লৈত্রি। মীয়ামগী য়াইফনবা মতম মাঙনা কথোক্তুনা থবক কয়া তৌজরবসু শেল পুথোকপা ঙমদ্রবদি সোসল ৱার্কর ওইনা শক খঙবীদবা, খুদিংমক শেলগা মন্তিক্নরকপদগী শেল তান্নবা অরানবা পাম্বৈ কয়া শীজিন্নরকপা, খুদিংমকসি ঐখোয়না পেটি বুর্জুৱাগী ৱাখল্লোন চেনবদগী থোক্লকপনি। মতুংদদি ইরৈবাক্কী মীয়ামগী য়েংলগা ঐখোয় খুদিংমক্কী সোসল সিক্যুরিটি লৈহন্নবগীদমক মীশক খঙনা ভোট পীদুনা অফবা মীহুৎ থাগৎনবগী কেম্প্যেন তৌবা চঙলে। হীরমসিদা ঐখোয়গী সী এস ওশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ হায়জনীংই। মতাংসিদা অমুক হন্না লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ঈশৈসিবুসু নৌহৌনা নীংশিংমিন্নসি।

“মীশক খঙনা ভোট পীয়ুনে, নঙগী মীদা ভোট পীয়ুনে লৌউবা, নিংথৌ মনাই ওইরম্বা, লৌমীদা ওৎলম্বা মখোয়দো, লৌমী খুনিংকাই লৌমী লুৰাওবা হায়রম্বা মখোয়দো, ভোটকী মতম য়ৌরবসিদা, লৌমীদা মরুপ শারনি, নুংশিদনা নুংশি শা লুপা পীগে হায়রনি, মনুং লেল্লগা কাউখ্রগনি চারক্লনিনে ঐখোয়বু, মীশক খঙনা ভোট পীয়ুনে লৌউবা।”

হীরম অমত্তদা মণিপুর মচেৎ তাদনবা অমদি এন আর সী চৎননবা হোৎনবগা ইরোয়ননা মণিপুর থুগাইবা পাম্বা কুকি মিলিটেন্টশিং অমসুং কুকি লুচিংবশিং খুদক্তা ফাননবা অকনবা ঈহৌ শাগৎমিন্নবগা লোয়ননা ঈরাংসিদা হকথেংননা শোকহৌগদবসি মীচম মীয়াম খক্তনি, ইনাক খুনবা খুজোক খরনা মখোয়গী খুদোংচাবা ফংননবা থৌওইনা থোকহনবা ৱাথোক্লি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্লা খঙমিন্নরগা ৱাথোক অসিদগী পাড়া তমহৌরসি। ●

# লান অসি পানখ্রিবা লৈঙাকশিংনা থোকহনবনি

– থিংবাইজম ইতোবী –

ইজরিবা ঐ অসি রাজনিতি কলরলেসনি। হৌজিক থোক্লিবা লান অসি হৌখিবা লৈঙাকশিংনা থোকহনবনি হায়বসি ইজরিবা ঐগী ৱাখক্লি। ষ্টেট অসিদা অহানবা সাসন লৈখিবা কুমজা ১৯৬৩, লৈখিদ্রবা এম কোইরেং কোংগ্রেস টর্ম শুদনা অহুম্লক চীফ মিনিষ্টর ওইখি (চহী ৬ লোম)। কুমজা ১৯৬৭তা লৈখিদ্রবা লোংজম থম্বৌনা য়ুনাইটেদ ফ্রন্টকী লৈঙাক নুমিৎ ১০নি রোম চীফ মিনিষ্টর ওইখি। কুমজা ১৯৭২দা লৈখিদ্রবা মহমদ আলিমুদিন, মণিপুর পিপলস পার্টি টর্ম শুদনা অনীরক চহী ১গা থা ৫ রোম সাসন চলাইখি। কুমজা ১৯৭৪দা য়ংমাসো সৈজানা টর্ম শুদনা মণিপুর হিল য়ুনিয়ন, জনতা পার্টি চহী ৩ লোম সাসন চলাইখি। কুমজা ১৯৮০দা টর্ম শুদনা আর কে দোরেন্দ্র কোংগ্রেস, চহী ৫ রোম সাসন চলাইখি। অহুম্লক চীফ মিনিষ্টর ওইনা রিশাং কৈশিংনা টর্ম শুদনা অহুম্লক চীফ মিনিষ্টর ওইনা চহী ১০ কোংগ্রেস সাসন চলাইখি। কুমজা ১৯৮৮দা আর কে জয়চন্দ্র, কোংগ্রেস চহী অনীরোম সাসন চলাইখি। কুমজা ১৯৯০দা আর কে রনবির, এম পি পি চহী ২ রোম সাসন চলাইখি। কুমজা ১৯৯৭দা দল্লিয়ু নিপামচানা এম এস পি সী, টর্ম শুদনা চহী ৪ রোম সাসন চলাইখি। কুমজা ২০০১দা রাধাবিনোদ কোইজম্না সমাতা পার্টি, থা ৪ রোম সাসন চলাইখি। কুমজা ২০০২দা ও ইবোবী কোংগ্রেস, চহী ১৫ সাসন চলাইখি। কুমজা ২০১৮দা এন বিরেন বি জে পিনা হৌজিক ফাওবা সাসন চলাইরি।

হঙ্গৎনা য়েংবদা হৌখিবা কুমজা ১৯৬৩দা অহানবা চীফ মিনিষ্টর ওইরমবা লৈখিদ্রবা এম কোইরেংগী মতমদগী হৌজিক ওইরিবা এন বিরেনগী চহী ৬০ রোম অসিদা লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর লোংজম থম্বৌনা নুমিৎ ১০নি রোম সাসন চলাইখিবা অমদি রাধাবিনোদ কোইজম্না থা ৪ রোমদং সাসন চলাইখিবা চীফ মিনিষ্টর অনীবুদি ষ্টেটসিগী মীয়াম্না ৱারৌনীংঙাই, পেন্দবা লৈরম্লোই। হৌখিবা চহী ৬০ রোম অসিগী মনুংদা পি আর লৈঙাক ১০ লৈখ্রে। লৈখিদ্রবা এম কোইরেং, আর কে দোরেন্দ্রো, রিশাং কৈশিং, আর কে জয়চন্দ্র, ইবোবী চহী ৪০ রোম কোংগ্রেসনা সাসন চলাইখি। ময়ান তুয়ান পার্টিশিংনা চহী ১০ রোম চলাইখি। বি জে পিনা চহী ৭ লোম চলাইখি। মণিপুরনা ষ্টেট ওইবা ফংবা অসিসু লৈখিদ্রবা মহম্মদ অলিমুদিন এম পি পি লৈঙাক্কী মতমদা ফংবনি। ইজরিবা ঐনা খ্বাইদগী ঙকপদি চহী ৪০ রোম কোংগ্রেসনা সাসন চলাইখিবা, চহী ১৫ লেঙদনা ও ইবোবীনা সাসন চলাইখিবদা হৌজিক হৌজিক মীয়ামগী দিমান্দশিং মরু ওইনা এন আর সী, এম এল আর এক্ট, পোপিগী মতাং, বোর্দর ফেন্সিং অসিনচিংবা অসি মতম শাংনা পানখিবা লৈঙাকশিং অসিনা থবক ওইনা পাঙথোকপীরম্লবদি হৌজিক থোক্লিবা লান অসি থোক্লম্লোই।

ৱাফম অমনা ষ্টেটসিদা মীরমদগী লৈশিল্লিবা মীওইশিং অসি কেন্দ্র ৬০ অসিগী এম এল এশিংনা মীশিং হেনগৎহনবনি হায়বসি চেনবা য়াররোইদবা ৱাফমনি। মরমদি এম এল এ ত্রাই তৌবা কাঙবুশিংনা তুংগী জেনরেসনগী খন্দবা, মখোয়না খল্লিবা ৱাখল অসি ভোট হায়বসি অমা হেল্লগা কাগদবনি, য়েলহৌমী নত্তবা মীরমদগী লাকপশিং অসি মা মাগী মফমদা, অশানবা কাদা লৈবা নৎত্রগা মীওই খরা লাক্লগা খুল ওইনা তাশিল্লকপশিং ভোট ফংলগা লোইরে খন্দুনা ভোটর লিষ্টতা চনশিন্দুনা, মীরমগী মীওইশিং অসিনা চারৌ-মৌরৌনদুনা হেনগৎলকপনি। ষ্টেট অসিগী লম অসি শরুক ১০ থোকপগী মনুংদা চীংনা শরুক ৯ তমগীনা শরুক অমখক্তং, য়েৎতুম মতোন অমগুম্না পীকখ্রবা লম অসিদা চীংগী মীনা তমদা তাবদি য়ারগা তমগী মীনা চীংদা তাবা য়াদ্রিবা অসি তমগী এম এল এ ৪০ অসিনা ভোট মমাঙদা প্লেটফোর্মদা ঙাঙখিবা অমদি এম এল এ ওইনা ৱাশকখিবা পূম্নমক অসি কাউশিন্নখিবা অসি মখোয়বু শেম্বীরকপা ঈশ্বরবু ৱারৌরোইদবগী মরম লৈতে। লৈঙাক পায়বদা য়াওখিবা পার্টিশিংনা হৌজিক ঙাঙথোরল্লিবা, তুলসি মনা শানা ঙাঙলিবা অসি তানীংদে, হকচাংদা তিলাইখোম্বী চুবগুম্না হাকৎচৈ। মখোয়সু লৈঙাক পায়বদা পাঙথোল্লমদনা হৌজিক্তদা অচুম্বা শারিবা অসি ইকায়নীংঙাইনি।

কনাগুম্বগী উসব মেলাদা হাওরদুনা চাকহাপ অনী অহুম হাপ্লগা এঞ্জাংসু খাবৈ অনী অহুম হাপ্লগা চাল্লুক অদু শিং নান্না চাথোক্লগা খূৎ হাম্লগা থোরকপদা লম্বীদা ঙসিগী চাক এঞ্জাং অসিদি চাবা য়াদে হায়বগুম্বনি। লৈঙাক পায়বদা য়াওখিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হৌজিক অচুম্বা শানা ঙাঙথোরল্লিবা অসি পার্টিশিংদি পঞ্জনীংদে। কোংগ্রেসনা চহী ৪০ রোম লৈঙাক চলাইখিবদা হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও ইবোবীনা চহী ফুল টর্ম (চহী ১৫) পানবদা হৌজিক মীয়ামগী দিমান্দশিং অসি পাঙথোল্লমদনা , হৌজিক ঙাঙথোরল্লিবা অসি লনশোৎপীনা পাউখুম ৱাৎতে হায়বগুম্বনি। আই এমগী মুইভাবু মাও গেটতগী চঙহনখিদবা অদুগুম্না হৌজিক্কী মীয়ামগী দিমান্দশিং অসিদংগা থবক ওইনা পাঙথোক্লম্লবদি ও ইবোবী ঈশ্বরগুম্না ধুপ থাউমৈ কৎতুনা পুজা তৌবা য়ারমগদবনি। মাগী চহী ১৫গী মনুংদা হৌজিক ওইরিবা এন বিরেনসু ইবোবীগী মতমদা মিনিষ্টর ওইরম্লবনি, চহী ৭ লোম পাল্লক্লিবা অসিদা অহানবা লৈঙাক হৌরকপদগী হৌজিক্তি মীয়ামগী দিমান্দশিং অসি পাঙথোক্লম্লবা য়াবনি। লৈঙাক অমনা তৌগে, পাঙথোক্কে খনবদা পাঙথোকপা ঙম্লোইদবা লৈতে। গনতন্ত্র চৎপা লৈবাক্লি কাউশিন্নবা হায়বসি ভোট পীখিবা মীয়ামগী লাইবক থীবনি। মীয়াম হাৎপা হায়বসি এম এল এ ৬০গী মরালনি হায়বসি ইজরিবা ঐগী ৱাখলনি। এম এল এ ৬০না মীয়ামগী হান্না খল্লগা ইশাগী কোন্না খল্লবদি হৌজিক শিরিবা মীয়াম অসি শিরমদবা য়াবনি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইন্দিয়াগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাকপা নুমিত্তা চুড়াচান্দপুরদা রেল্লি চৎপা থিংলম্লবা হৌজিক্কী লান অসি থোক্লমদবসু য়াই, হন্দক্তা ফমখিবা এসেমব্লি সেসন কুকি লালহৌবশিংনা ফমদনবা, ফম্লবদি ফত্ত-নুংদা থোক্লবদি লৈঙাক্কী থৌদাং ওইগনি হায়খিবদুগী পাউজেল্লা হায়জনীংই। মচাশিংনা মমা মপাদা চাক লাম্লে, লাইরিক তমগে, ফিজেৎ লৈবীয়ু হায়ফম থোক্তে, কর্ম্মচারিশিংনা তোলোপ পীয়ু, শিন্মীশিংনা খূৎশুমল পীয়ু হায়ফম থোক্তে। পীজফম থোকই, থোনফম থোকই, শেম্বীফম থোকই, পীফম থোকই। কম্পলসরিনি। ভোট পীখিবা মীয়াম্না তুংগী জেনরেসনগী খল্লগা লৈঙাক্তা হায়ফম থোক্তে। লৈঙাক্লা খঙফম থোকই। কর্ম্ম, শ্রাদ্ধ, ফিরোইনচিংবদা ঈশৈ শকপনা, পুঙ য়ৈবনা কর্ম্মগী ঈশৈ লোইরমদাইদা, ফিরোই থাবা মতম ওইরে হায়দুনা অরাংফমদা ইঙ্গিৎ পীবা হৌনদে, অরাংফম্না খঙফম থোকই। পি আরগী মতম নত্তবা পোপুলর মিনিষ্টর লৈবা মতমদদি তুংগী জেনরেসনগী খন্দুনা মীয়ামগী খোল্লাও লাক্ত্রিঙৈদা লৈঙাক্লা খঙফম থোকই। চক অমগী তঙ্খাই ফারক্লবা চহী ৫০ রোমগী লৈঙাক চলাইখিবা পার্টিশিং অসিনা হৌজিক্কী মীয়ামগী দিমান্দ অসি পাঙথোক্লম্লবদি ঙসিগী লান অসি থোক্লম্লোই।

কনাগুম্বা মপা-মমানা মচা ৩/৪ পোকপদা মচাশিংদা অচান মীরাই নাইনা য়েংবা অদুগুম্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ষ্টেটসিদা থোক্লিবা লান অসি গুজরাট, য়ু পিদা থোক্লম্লবদি পুঙ্খাই অমগী মনুংদা লোইশিনখিগনি। নরেন্দ্র মোদিনা নুপীমচা অনীগী মতাংদা মথৱায় শোক্লা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লুপা লাখ ১০/১০ পীগনি হায়খিবা অদুগা লান অসিদা মীওই ১৫০গী মথক্তা শিখিবদা তূমিন্না লৈশিনবা থৌওং অসিনা প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিষ্টির অচান মীরাই নাইদে হায়রোইদবগী মরম লৈতে।

ইরমদম সনা লৈবাক মণিপুর অসি আর্ট এন্দ কলচর, স্পোর্টসতা মালেম শিনবা থুংনা খঙনরিবা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ঈজৎ পুরক্লিবা পীকখ্রবা ষ্টেট অমনি হায়বসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। হন্দক্তসু ইনৌ নৌনা চন্দ্রয়ান-৩ থাগী লৈমায়দা মায় পাক্লা তাবদা মণিপুর মচা ডা. রঘু নিংথৌজম, ইন্দিয়াগী স্পেস সাইন্টিষ্টশিংগী মরক্তা য়াওবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, মণিপুরগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকখিবা অসিদা হন্দক্কী লান অসিদা লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা মমল য়াম্লবা মীওই খরা য়াওরমগনি হায়না নরেন্দ্র মোদি অমদি অমিট শাহ, চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা খল্লমদ্রবদি মখোয়বু শেম্বীরকপা মপুনা ৱারৌরোইদবগী মরম লৈতে হায়না ইজরিবা ঐগী ৱাখলদা লৈজে। লোয়ননা মখোয়বু নোংমদি ঈশ্বরনা ৱারকপীরকপসু য়াই খঞ্জরি।

অরোইবদা, পীকখ্রবা তম্পাক্কী লম খুয়াথোং, কৈশাম্পাৎ থোংদা, থুম্বু থোং, হৈরাঙ্গৈই থোংদা ওপরেসন তৌববুদি চাওখ্রবা চীংগী লমদা ওপরেসন তৌবনা খূৎলায় হেন্না ফংগদবা মাল্লি, শান্তি পুরকপদসু মতেং ওইগদবা মাল্লি। লৈখিদ্রবা চীফ মিনিষ্টর য়ংমাসো সৈজানা খুমন লম্পাক্তা জীপ অমদা দ্রাইভর য়াওদনা মশানা থৌরগা, সিক্যুরিটি য়াওদনা খুয়াথোংগী কোর্নরদা, নহা মরি-মঙা খৎনরম্বদা জীপ্তুগী কুমথরগা মখূৎ অনী থাঙ্গৎতুনা খামদোকখিবা, ইজরিবা ঐনা উজহৌবনিনা হৌজিক্কী লান অসিদি সেন্টর অমদি ষ্টেটনা খুদক্তা লেপহনবা ঙম্বসু য়াই। মনুংদা অরোনবা এজেন্দা লৈরম্লগদি খঙদ্রে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৪

১) **“পোইরৈ নাৎকী ৱারেং”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

২) **“কুরঙ্গনয়নী”** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল রাইটর কনানো?

৩) **“নুমিদাংৱাইরমগী চিগোংলৈ”** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী মমিং লৈরবা অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

৪) **“হুন্দোক্লমই উনানা উপালবু নাকেন্থাদা**
**ফুদৎপদা -**
**লাংবনগী শারবা নুংশানা**
**ৱাকচিংগী উন পুবা নুংশিৎনা**
**কপ্লি উনানা হুন্দোক্লম্লবা পামেল।”**

শৈরেং মতেক অসি শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌগগে?

৫) **“লোইয়ুম্বা”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং কনানা ইবনো?

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।